এন ঈ ওলিম্পিক্স গেমস

# টি ঐচ টেনিসননা সাইক্লিংদা গোল্ড লৌখ্রে




ইম্ফাল,নভেম্বর ১২(ঐচএনএস): মেঘলায়ানা যূম্বু ওইদুনা শিল্লোংদা চথরিবা অনীশুবা নোর্থ ইষ্ট ওলিম্পিক্স গেমসকী ঙসি হুম্নি চনবা নুমিৎতা মণিপুরনা সাইক্লিং মশান্নদা গোল্ড ১, সিলভর ১, ব্রোঞ্জ ২ পূন্না মেদল ৪ ফংবা ঙমখ্রে।

টি ঐচ টেনিসননা এলিট মেন দাউনহিল ১.১ কিলোমিটর ইভেন্টতা গোল্ড মেদল ফংবা ঙমখি। ইভেন্ট অসিমক্তদা ষ্টেটকী সাইক্লিষ্ট কে এস ঐচ জেকনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখি।

অতোপ্পা ষ্টেটকী নুপী সাইক্লিষ্ট পি প্রিয়ানা ৱিমেন্স এক্স সী ও ১৩.৪ কিলোমিটর ইভেন্টতা সিলভর মেদল অদুগা ইভেন্ট অসিমক্তদা ঐচ উর্বাশিনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংবা ঙমখি।

অমরোমদা, ফুটবোল মশান্নগী ওইনা মণিপুরনা নুপা অমদি নুপীগী সেমীফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

নুপাগী ওইনা থা অসিগী ১৩দা মেঘলায়াগা অনীশুবা সেমীফাইনেলদা থেংনরগনি। অদুগা নুপীগী ওইনা মণিপুরনা মিজোরোমগা থা অসিগী ১৪দা অহানবা সেমীফাইনেলদা লম্বা তৌনরগনি।

অথেংবদা ফংবা পাউগী মতুংইন্না ৱাই ইচনতোম্বীনা রুশু মশান্নগী চাংক্বান ইভেন্টতা গোল্ড মেদল ১ ফংবা ঙমখ্রে। অদুগা সেন্দা ইভেন্টতা নুপা অমদি নুপী শান্নরোয় ৫/৫ ফাইনেল চঙখ্রে।

মণিপুর ষ্টেট লীগ

# কে আই ৱাই সীনা এ আই এম থোইখ্রে, নেরোকা অমদি দি এম রাও দ্রো ওইখ্রে

MSL - 2022

ইম্ফাল,নভেম্বর ১২(ঐচএনএস): ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসননা শীন্দুনা চথরিবা ১৫ শুবা মণিপুর ষ্টেট লীগকী ঙসি খুমন লম্পাক আর্টিফিসল টর্ফ গ্রাউন্দদা শান্নখিবা গ্রুপ বিগী মেটচ অমদা ক্ষেত্রি ইরিল মপাল য়ূথ ক্লব (কে আই ৱাই সী)না অনৌবা ইমাগী মঙাল (এ আই এম) খাবম লমখাইবু লাকচনা ৪-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

অতোপ্পা চপ মান্নবা গ্রুপকী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা নেরোকা এফ সী সঙাকফম অমদি দিমাপুর রোদ এথলেটিক্স ওর্গনাইজেসন (দি এম রাও) অৱাং সেকমাই ১-১দা দ্রো ওইখ্রে।

মায় পাকখিবা কে আই ৱাই সীনা হৌজিকফাওবদা পূন্না মেটচ ৬ শান্নবদা ৫ মায় পাক্লগা ১ দ্রো ওইদুনা পোইন্ট ১৬ ফংলগা টেবলগী অনীশুবা মফমদা লৈরি। এ আই এমনা পূন্না মেটচ ৭ শান্নখিবদা মেটচ ২ মায় পাক্লগা ৫ মায়থীদুনা পোইন্ট ৬ ফংলগা টেবলগী ৭শুবা মফমদা লৈরি।

দি এম রাওনা মেটচ ৬ শান্নবদা ৪ মায় পাক্লগা ১ দ্রো ওইদুনা মেটচ ১ মায়থীরগা পোইন্ট ১৩ ফংলগা টেবলগী অহুমশুবা অদুগা নেরোকানা মেটচ ৬ শান্নবদা ৩ মায় পাক্লগা ২ দ্রো ওইদুনা পোইন্ট ১১ ফংলগা টেবলগী ৪ শুবদা লৈরি।

কে আই ৱাই সী অমদি এ আই এম অনীনা শান্নখিবা মেটচতা ঙাংবম নাওচানা শান্নবা হৌরকপগী ৫শুবা মিনটতা ক্ষেত্রি ইরিল মপালগী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। মহাক্না মখা তানা অহানবা হাফ লোইরমদাই শান্নবগী ৪১ শুবা মিনটতা গোল ১গা হাপচিন্দুনা খাবম লমখাই টিমবু ২-০দা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা মাংজিল থাখি।

কে আই ৱাই সীগী নুপামচাশিংগী খূদুম চনবা মখা চথরকপা ওইনা অনীশুবা হাফতা রোনাল্ড সাইখোমনা শান্নবগী ৪৫ শুবা মিনটতা মায় পাকপগী ৩শুবা গোল চনবা ঙমখি। মেটচ লোইরমদাই ইঞ্জুরি টাইমগী ৫শুবা মিনটতা খাবম লমখাইগী দিফেন্দর অমর্জিৎ থৌদামনা আউন গোল অমা চনশিন্দুনা কে আই ৱাই সীগী মায় পাকপগী ৪শুবা গোল চনবা ঙমখিবনি।

অমরোমদা, ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদা দি এম রাও অৱাং সেকমাই অমদি নেরোকা সঙাকফম ১-১দা দ্রো ওইখ্রে।

দি এম রাওগী গোল অদুনা মহারাবম কারননা শান্নবগী ২৭ শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি। গোল চনখিবগা ইকান কান্নদনা গাংমৈলনজোনলুংনা শান্নবগী ২৮ শুবা মিনটতা নেরোকাগী ইক্বেলাইজ গোল চনবা ঙমখি।

মখা তাবা টিম অনীনা অনীশুবা হাফকী শান্নবদা গোল হাপচিনবা ঙম্লদবদগী ১-১দা দ্রো ওইখিবনি।

মেটচ অসিদা রেফরি কাংজম অজিৎকুমার মৈতৈনা নেরোকাগী অয়েকপম তোমজোসেফ অমদি দি এম রাওগী কেপ্টেন থোঙাম কিষন শান্নবগী ২৫ অমদি ৬৩ শুবা মিনটতা য়েলো কার্দ অমমম্ বূক তৌখি।

প্রেমজিৎ তখেল্লম্বম অমদি অমজিৎ নিংঙোম্বমনা এসিষ্টেন্ট রেফরি ওইনা শরুক য়াখি।

ফিফা ৱর্ল্ড কপ কটার ২০২২

# হোষ্ট য়াওনা লৈবাক ৩গী স্কৱাদ লাউথোকখ্রে




## চয়োল অমগী মতুংদদি মীয়াম্না মতম শাংনা ঙাইরকপা মীৎয়েং তাবা ফংলগনি

ফিফানা ৱর্ল্ড কপতা শরুক য়াগদবা টিমশিংগী স্কৱাদ লিষ্ট পীশিল্লকপগী মতম নভেম্বর ১৪দা লেপখ্রবা মতুং লৈবাক ২৩না মাগী-মাগী স্কৱাদ লিষ্ট লাউথোক্লখ্রবগী মখা তারকপা ওইনা ঙসি গ্রুপ এগী হোষ্ট টিম কটার য়াওনা লৈবাক অহুম- গ্রুপ সীগী সাউদি অরাবিয়া অমদি গ্রুপ ঐচকী কোরিয়া রিপব্লিককী ফুল স্কৱাদ লিষ্ট লাউথোকখ্রে।



হৌজিক ফাওবদা পূন্না লৈবাক ২৬কী ফুল স্কৱাদ লিষ্ট লাউথোকখ্রে। নভেম্বর ১৩, নোংমাইজিং নুমিৎতা গ্রুপ সীগী মেক্সিকো, গ্রুপ এফকী কানাদা অমদি গ্রুপ ঐচকী ঘানাগী স্কৱাদ লাউথোক্লগনি। অদুগা নভেম্বর ১৪, নিংথৌকাবা নুমিৎতনা গ্রুপ এগী ইক্বেদোর অমদি গ্রুপ দিগী টুনিসিয়াগী স্কৱাদ লাউথোক্লগনি। গ্রুপ বিগী আই আর ইরানগী ওইনা করম্বা নুমিৎতা লাউথোক্কনি হায়বা চপ চানা ফোঙদোকপা লৈত্রি।

হোষ্ট টিম ওইরিবা কটারগী শান্নরোয়শিং অদুদি গোলকিপরদা সাদ অল শিব, মেশাল বর্শাম, য়ুসুফ হাসন; দিফেন্দরদা পেদ্রো মিগেল, মুসাব কিদির, তারেক সলমান, বাসম অল রাৱি, খৌখি বৌঅলেম, অব্দেলকরিম হাসন, ইস্মেল মোহাম্মদ, হোমাম অল অমিন; মিদফিল্ডরদা জাসিম জাবির, অলি অসাদ, মোহাম্মদ ৱাদ, সালেম অল হাজ্রি, অসিম মোদিবো, মুষ্টাফা মেশাল, করিম বৌদিএফ, অব্দুলঅজিজ হাটিম, নেফ অলহাধ্রমি; ফোরৱার্দতা হাসন অল হেদোস, অক্রম অফিফ, অলমোজ অলি, মোহম্মদ মুন্টারি, অহমদ অলা অমদি খালিদ মুনিরনি।

সাউথ কোরিয়াগী শান্নরোয়শিং অদুনা গোলকিপরদা কিম সিয়ুং-গিয়ু, জো হিয়োন-ৱো, সোং বম-ক্বেন; দিফেন্দরদা কিম মিন-জে, কিম জিন-সু, হোং চুল, কিম মুন-হ্বান, য়ুন জোং-গিয়ু, কিম য়ং-গ্বোন, কিম টে-হ্বান, ক্বোন কিয়ুং-ৱোন, চো য়ু-মিন; মিদফিল্ডরদা জুং ৱু-য়ং, না সাং-হো, পাইক সিয়ুং- হো, সন জুন-হো, সোং মিন-কিয়ু, ক্বোন চাং-হুন, লি জে-সুং, হ্বাং হি-চান, হ্বাং ইন-বিওম, জিয়োং ৱু-য়িয়োং, লি কাং-ইন; ফোরৱার্দতা হ্বাং উই-জো, চো গুই-সুং অমদি সন হিয়ুং-মিননি।

# ষ্টেট বোদি বিল্ডিং টিম ইম্ফাল থাদোকখ্রে



ইম্ফাল,নভেম্বর ১২(ঐচএনএস): কোলকাটানা য়ূম্বু ওইদুনা থা অসিগী ১২দগী ১৪ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ১১শুবা ইষ্টর্ন জোন সিনিয়র/মাষ্টর্স/দিবিয়াং মেন্স বোদি বিল্ডিং, মেন্স স্পোর্টস ফিজিক অমদি ৱিমেন্স মোদেল ফিজিক চেম্পিয়নশিপতা মণিপুর রিপ্রজেন্ট তৌগদবা মীওই ১২না শাবা টিম ঙসি ইম্ফাল থাদোকখ্রে।

ষ্টেট টিম অসিগী ওফিসল ওইনা আই বিপিন (কোচ) অমদি ও অজিৎ (মেনেজর) ওইনা শরুক য়াখি।

শান্নরোয়শিং অদুনা মেন্স বোদি বিল্ডিং কাঙলূপ্তা বোরিশ পেচিময়ুম (কেজি ৫৫), পিটর থাংমিনলেন মিসাও (৬০), লোংজম এলিসন মৈতৈ (৭০), য়ুবরাজ সোনর (৭০), সরত লুমিনথাং জাওথাং (৮০), পেবম মেধাজিৎ (৮৫ মথক), কৈশাম মিজেন (৮৫ মথক); মেন্স স্পোর্টস মোদেল ফিজিক ওপন কেটগোরিদা চোংথাম বিদ্যানন্দ; ৱিমেন্স স্পোর্টস মোদেল ফিজিক ওপন কেটগোরিদা সোলিমলা জাজো অমদি নেহা রাজ কুমারীনি।

হিরো আই লীগ

# নেরোকা এফ সী অমদি রিয়াল কাশ্মীর ঙসি থেংনরগনি



ইম্ফাল,নভেম্বর ১২(ঐচএনএস): ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসননা শীন্দুনা চথরিবা হিরো আই লীগকী টিম অমা ওইরিবা নেরোকা এফ সীগী অহানবা হোম মেটচতা রিয়াল কাশ্মীরগা নোংমাইজিং নুমিৎকী নুংথিল পুং ৪.৩০দা খুমন লম্পাক ম্যেন ষ্টেদিয়মদা লম্বা তৌনরগনি।

মেটচকী মাংওইননা ঙসি খুমন লম্পাক ম্যেন ষ্টেদিয়মগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখিবা পাউমীশিংগা উনবা অমদা নেরোকাগী হেদ কোচ ওইরিবা দল্লিয়ু খোগেননা ফোঙদোকখিবদা, হয়েংগী মেটচ অসি হোম গ্রাউন্দগী খূদোংচাবা লৌরগা রিয়াল কাশ্মীরবু মায়থীবা পীদুনা ফুল পোইন্ট ফংবা ঙম্নবা হোৎনগনি হায়খি।

পাউমীশিংগা উনবা অদুদা নেরোকাগী শান্নরোয় দেভিদ শিম্বো অদুগা রিয়াল কাশ্মীরগী কোচ মেহরা জুদিন ৱাদু অমদি শান্নরোয় সুভাসিশ রোই চৌধুরিসু শরুক য়াখি।

মণি থর্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ

# দ্রেমজিৎকী হেটট্রিকনা ৱাফা মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল,নভেম্বর ১২(ঐচএনএস): সী ঐচ দ্রেমজিৎনা শান্নবগী ২৪, ৭৭ অমদি মেটচ লোইরমদাই ইঞ্জুরি টাইমদা চনখিবা গোল ৩গী মতেংনা ৱাফা ৱাঙ্গোইনা কে এ এল ৱাই সী চজিং করামবু ৩-০দা চথরিবা ৫শুবা এস ঐচ মণি থর্দ দিভিজন ফুটবোল লীগকী ঙসি মালোমগী ৱাই দল্লিয়ু সী গ্রাউন্দদা শান্নখিবা গ্রুপ এগী মেটচ অমদা মায়থীবা পীখ্রে।

অমরোমদা, চপ মান্নবা গ্রুপকী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা টি এস এফ এ তোপ সিফাইনা এম এস সী মালোমবু লাকচনা ৬-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

তোপ সিফাইগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু আই সুজমি অমদি সলাটুর রাহমননা ২/২ অদুগা অতাও রাহমন অমদি সী ঐচ অনসখাননা অমমম্ চনবা ঙমখি।

# অম্ফানা খঙহল্লক্লি

ইম্ফাল,নভেম্বর ১২(ঐচএনএস): নেসনল ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ ফোর সন্তোশ ট্রোফিগী ষ্টেট টিম খন্নবা চথরিবা খুমুকচম ইঙোচা মেমোরিএল ১৫শুবা মণিপুর ষ্টেট লীগ ২০২২-২৩ অসিদা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসনগী টেক্নিকেল কম্মিটিগী মেম্বর খূদিংমক লাক্লবা অম্ফাগী জেনরেল সেক্রেটরি এল জ্যোটিরমোই রোইনা খূৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

অনীশুবা এ এল টি স্পোর্টস মীট

# সেমীফাইনেল লাইন অপ লোইখ্রে



ইম্ফাল,নভেম্বর ১২(ঐচএনএস): অনাল লেনরুং তাংপী ইম্ফাল ব্রাঞ্চনা শীন্দুনা সেকেন্দ এম আর গ্রাউন্দদা চথরিবা অনীশুবা এ এল টি ইম্ফাল স্পোর্টস মীটকী ফুটবোল মশান্নগী সেমীফাইনেল লাইন অপ লোইখ্রে।

এভেঞ্জর্স এফ সী অমদি দি এলিটনা অহানবা সেমীফাইনেলদা অদুগা টি এল সী অমদি এম য়ুনা অনীশুবা সেমীফাইনেলদা থা অসিগী ১৪দা থেংনরগনি।

ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচশিংদা এভেঞ্জর্স এফ সীনা কে এ এম টিবু ১-০দা মায়থীবা পীখি।

বেনোনা এভেঞ্জর্সগী অমত্তা ঙাইরবা গোল চনবা ঙমখি।

অতোপ্পা মেটচ অমদা টি এল সীনা পকান বোইজ এফ সীবু ৫-০দা মায়থীবা পীখি।

টি এল সীগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু নিক্কিনা ২ অদুগা থুংলারসন, চংকিঙম অমদি সোরিংনা অমমম্ চনখি।

অতোপ্পা মেটচ অমদা দি এলিটনা লুলম য়ুনাইটেদপু ৬-০দা মায়থীবা পীখি।

দি এলিটকী মায় পাকপগী গোলশিং অদু নিংফামননা ২ অদুগা জেরেমি, সিংভাল, অজুলে অমদি সেটঙমনা অমমম্ চনবা ঙমখি।

অতোপ্পা অয়ূক শান্নখিবা মেটচ অনীদা টি এল সীনা এ এল টি এগজিক্যুটিভপু ৬-০ অদুগা পকান বোইজ এফ সীনা অনাল মেদিকোজ এফ সীবু ৫-৩দা মায়থীবা পীখি।

# প্রোমিনেন্ট হোক্কী প্লেয়র অরাম্বম সোবিতা লৈখিদ্রে

ইম্ফাল,নভেম্বর ১২(ঐচএনএস): মণিপুর ৱিমেন্স হোক্কী টিমগী প্রোমিনেন্ট প্লেয়র ওইরম্বী অরাম্বম সোবিতা, লিৱা রোদ বোকুল মখোঙ শীংজমৈদা লৈবা মহাক্কী ময়ূমদা থা অসিগী ৬তা লৈখিদ্রে। মহাক চহী ৮৬ শুখ্রে।

অমরোমদা, মহাক্না লৈখিদবদা মণিপুর হোক্কীগী মায়কৈদগী অৱাবা অমদি নুংঙাইতবা ফোঙদোরক্লি।

# মুইএথাই ফেদরেসন কপ পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল,নভেম্বর ১২(ঐচএনএস): ওল ট্রিপুরা এমেচর মুইএথাই এসোসিএসন অমদি য়ুনাইটেদ মুইএথাই এসোসিএসন ইন্দিয়া অনীনা খূৎশম্নদুনা দিসেম্বর ১৫ দগী ১৭ ফাওবা অগরটালাগী এন এস আর সী সী বোক্সিং এরিনাদা মুইএথাই এফদরেসন কপ পাঙথোক্লগনি।

কপ অসিদা শরুক য়ানিংবা চহী ১৭ মথক্কী নুপা অমদি নুপী শান্নরোয়শিংনা ওল মণিপুর মুইএ থাই লভর্স এন্দ প্লেয়র ওর্গনাইজেসনশিংগী চঙাঙ্গৈদা লৈবা হেদ ওফিসতা লাক্কুনা থা অসিগী ২৩ ফাওবগী মনুংদা রিপোর্ট তৌরনবা অমদি অকুপ্পা মরোলগীদমক এ শঙ্কর (৯৮৬৩১৯০৫২৪)দা পাউ ফাওরক্নবা খঙহল্লক্লি।


# ষ্টেট সেভেট টিম লাউথোকখ্রে

ইম্ফাল,নভেম্বর ১২(ঐচএনএস): ন্যু দেল্লীগী নবাহিন ওদিটোরিয়মদা থা অসিগী ১২ অমদি ১৩দা পাঙথোক্কদৌরিবা ৫শুবা নেসনল সেভেট চেম্পিয়নশিপতা শরুক য়াগদবা ষ্টেটকী শান্নরোয়শিং অমদি ওফিসলশিংগী মমিং সেভেট এসোসিএসন ওফ মণিপুরনা লাউথোকখ্রে।

শান্নরোয়শিং অদুদি খুলেম রোশনী চনু, হুইরেম নিংথিবা মৈতৈ, কোঞ্জেংবম জেপোলিন, চবুংবম রাজকুমার অমদি খাঙেম্বম চীংখৈঙানবা মৈতৈনি।

ওফিসলশিং অদুনা সী ঐচ প্রেমচন্দ্র (টিম কোচ), ডা. নাওরেম ইবোহল মীতৈ (এসিষ্টেন্ট টিম কোচ), ডা. ৱাইখোম গোজেন মীতৈ (টিম মেনেজর) অমদি ওইনাম সুরেশ (এসিষ্টেন্ট টিম মেনেজর)নি।

অমরোমদা, সী ঐচ প্রেমচন্দ্র, ডা. নাওরেম ইবোহল মীতৈ অমদি ওইনাম সুরেশ থা অসিগী ১২গী নুমিদাংৱাইরম পুং ৫.৩০দা পাঙথোক্কপা রেফরি/জজেজ অমদি কোচেসকী সেমিনারদা শরুক য়াগনি হায়রি।


HL-B/7775/2/10,11,12/10-2/12(alt)





HL-B/7893/13




HL-P/4575/1-30/11


# HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



## PUZZLE NO. 627

**GM Grzegorz Nasuta (2531) - FM Umut Erdem Gunduz (2341)**
**Titled Tue 27th Sep Late chess.com INT (4), 2022.09.27**

| | | | |
|---|---|---|---|
| 1.e4 e5 | 2.Nf3 Nc6 | 3.Bc4 Nf6 | 4.d3 Bc5 |
| 5.O-O O-O | 6.h3 d6 | 7.c3 a6 | 8.Bb3 h6 |
| 9.Re1 Ba7 | 10.Nbd2 Re8 | 11.Nf1 Be6 | 12.Bc2 d5 |
| 13.exd5 Bxd5 | 14.Ng3 Qd7 | 15.Nh4 Rad8 | 16.Nhf5 Kh7 |
| 17.d4 g6 | 18.Bxh6 exd4 | 19.Rxe8 Rxe8 | 20.Bg5 Ne4 |
| 21.Nxe4 Bxe4 | 22.Bxe4 Rxe4 | 23.Ng3 Re8 | 24. ... |

**QUESTION :**
**White to win**

**Puzzle 626 Ans. :**

33. ...Bxg2+ The black bishop deflects White's rook away from protecting the 1st rank. Opening the line from d1 to h1. 34. Rxg2 Qxg2+ The black queen deflects White's queen away from protecting the square d1. 35. Qxg2 Rd1+ 36. Qg1 Rxg1+ 37. Kxg1 d3+ With a discovered check by the black bishop. 38. Kg2 dxc2 39. Rc8 c1=Q
39. ...c1=R
0-1

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com